# কোলকত্তাগী এ টি কেনা নৌনা য়াওরকপা টিম ওরিষা এফ সিগা দ্রো চৎপগী পোইন্ট অমা ফংলগা লীগ টেবলগী মকোক থোংবা ঙমখ্রে

INDIAN SUPER LEAGUE

Match on 25 Nov. (Monday)
CHENNAIYIN Vs HYDERABAD




ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৪(এজেন্সী): হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ৬শুবা এদিসনগী ব্রেক লৈরুরবা মতুং ঙসি ন্যু দিল্লিদা কোলকত্তাগী ক্লব এ টি কে অমসুং লীগ অসিদা নৌনা শরুক য়ারকখিবা ওরিষা এফ সি পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখিবদগী এ টি কেনা ফংখিবা পোইন্ট অমনা মখোয়বু মেচ ৫দা পোইন্ট ১০ য়ৌহন্দুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংবা ঙমহনখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুদা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী টাইটল অনীরক ফংবা ঙমখ্রবা কোলকত্তাগী ক্লব এ টি কে অমসুং অনৌবা টিম অমা ওইরিবা ওরিষা হৌবদগী লম্বা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। ওরিষা এফ সি ঙসিগী মেচ অসিগী মাংওইননা মমাঙদা শান্নখিবা মেচ ৪দা অমা মায় পাক্তুনা অমদি মেচ ২ মায়থীবা নংদুনা অমসুং মেচ অমা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৪ ফংদুনা পোইন্ট টেবলদা ৬শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। অমরোমদা কোলকত্তাগী ফুটবোল ক্লব এ টি কে মেচ ৪ শান্নখিবদা ৩ মায় পাক্লগা অমা মায়থীদুনা পোইন্ট ৯ ফংদুনা লীগকী মকোক থোংদুনা লাককি।

ঙরাং লীগ অসিগী ব্রেক থারুরবা মতুং অহানবা শান্নখিবা মেচতা মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন ওইরিবা বেঙ্গালুরু এফ সিনা কেরালা ব্লাষ্টর্সপু ১-০দা থোইদুনা মেচ ৫ লোইশিল্লকপদা ২ মায় পাকপা ঙমখিবা অমসুং মেচ ৩ দ্রো চৎখিবনা মরম ওইরগা পোইন্ট ৯ ফংলগা এ টি কেগী মতুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈখি।

বেঙ্গালুরু এফ সি অমসুং কেরালা ব্লাষ্টর্সগী মেচ অদুগী অহানবা হাফ পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাফ হৌরকপা ১০ শুবা মিনটতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ক্লব অদুগী মায়কৈদগী কেপ্টেন সুনিল সেত্রিনা টিম অদুনা কাউরকখিবা কোর্নর কিক অমদগী লাকখিবা ফজবা বোল অমা হেদ তৌশিন্দুনা মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মমাঙদা পোইন্ট ৬ ফংলগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈরম্বা অদু অনীশুবা থাক্তা হায়গৎপা ঙমখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | ATK | 5 | 3 | 1 | 1 | 10 | 3 | +5 | 10 |
| 2 | Bengaluru | 5 | 2 | 3 | 0 | 5 | 1 | +4 | 9 |
| 3 | Goa | 4 | 2 | 2 | 0 | 10 | 5 | +5 | 8 |
| 4 | NorthEast United | 4 | 2 | 2 | 0 | 5 | 3 | +2 | 8 |
| 5 | Jamshedpur | 4 | 2 | 1 | 1 | 6 | 5 | +1 | 7 |
| 6 | Odisha | 4 | 1 | 2 | 2 | 6 | 6 | 0 | 5 |
| 7 | Kerala Blasters | 4 | 1 | 1 | 3 | 3 | 5 | -2 | 4 |
| 8 | Mumbai City | 4 | 1 | 1 | 5 | 5 | 8 | -3 | 4 |
| 9 | Hyderabad | 4 | 1 | 0 | 3 | 3 | 10 | -7 | 3 |
| 10 | Chennaiyin | 4 | 0 | 1 | 3 | 0 | 7 | -7 | 1 |

বেঙ্গালুরুনা মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৯ ফংখ্রবা মতুং এ টি কেগী মায়কৈদগী ঙসি দিল্লিদা শান্নখিবা ওরিষা এফ সিগী মেচ অদুদা মায় পাক্কনবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখিবা অদু অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অদুনা ওরিষাগী মায়কৈদা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা লৈখিবনি।

অনীশুবা হাফকী মিনট ৪৫গী মতম অদুদা এ টি কেগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কন্না পাঞ্জল থিরকখিবা অদু ওরিষা এফ সিগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী পোজিসনশিং অদুদা মীৎকুপ নাহুম শীংনা শান্নবা ঙমখিবা অমদি টিম অদুগী গোল্ড কিপরগী অর্সদিপকী ফজবা মশান্ননা পাঞ্জল চলহনখিদে।

অমরোমদা ওরিষা এফ সিনা মমাঙগী রাউন্দ ৪ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৪ ফংখিবা অদুগী মথক্তা ঙসিগী মেচ অদুদা মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৩ ফংনবা লালোং কয়া শীজিন্নরবসু টিম অদুগী ষ্ট্রাইকরশিংনা এ টি কেগী দিফেন্স লাইন অদুবু নমখাইবা ঙমখিদবদগী টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৭

১) হিটলরনা জর্মনিগী লৈঙাকপা ওইরিঙৈদা জিয়ুশিংবু ওৎ নৈখিবদা নত্তনা মখোয় কয়ামুকসু হাৎখি। মরম অদুনা জিয়ু শান্নরোয় অমদি লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চেনখি। কুমজা ১৯৩৬তা বার্লিন্দা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকখিবদা জর্মনিনা লৈবাক অদুদগী চেনখিবা জিয়ু শান্নরোয় অদু অমুক হন্না কৌদুনা (মহাক হল্লক্তুনা) ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখি। মহাক্কী মমিং করিনো?

২) ওলিম্পিক গেমসকী টিমগী থৌরম অমদা লৈবাক অমনা কুমজা ১৯২০দগী কুমজা ১৯৫২ ফাওবগী মনুংদা মেচ ৩৭ লক মায় পাকখি, ৩ লক পোখি। লৈবাক অদুগী মমিং পীয়ু।

৩) অহানবা পান অমেরিকান (Pan American) গেমসতা মিটর ১০০গী লমজেলদা মকোক ওইখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং পীয়ু।



৪) খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈগী চহী ৩৮৮গী মমাংদা ওলিম্পিয়া (OLYMPIA)দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক অমদা তিল্লিবা গ্রিস মীয়াম অদুদা ৱা ঙাঙদুনা তাহনখিবা গ্রিসকী ৱাঙাংলোয় অদু কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# চহী ১৫ মখাগী এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেদল ৬ ফংবা ঙমখ্রে




টাইচুং, নবেম্বর ২৪(এজেন্সী): টাইৱান (চাইনিজ টাইপৈ)গী সিটি টাইচুংদা পাঙথোক্লিবা চহী ১৫ মখাগী এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিংনা ঙরাং অথেংবা ফাওবদা চেম্পিয়নশিপ অসিগী নীনিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা গোল্ড মেদল ৬ লৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী চহী ১৫ মখাগী রেষ্টলিং টিম অদু চহীসিগী কেদেদ ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ ওইরিবা কিলোগ্রাম ৩৯গী কেটগোরিদা গোল্ড লৌবা ঙমখিবা কোমলনা লুচিংখি। ইরাই নুমিৎতা হৌখিবা চহী ১৫ মখাগী এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়াগী টিমনা গোল্ড মেদল ২ লৌবা ঙমখিবনি। মদুগী মখা তারকপদা ঙরাং চেম্পিয়নশিপ অসিগী নীনিশুবা নুমিৎতা মখা তাবা গোল্ড ৪ হাপল্লিগা পুন্না গোল্ড মেদল ৬ শুখি।

কেদেদ ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন কোমলনা মহাক্কী কেটগোরিদা গোল্ড মেদল ফংখ্রবা মতুং নুপীমচাগী কিলোগ্রাম ৩৩দা ইন্দিয়াগী সালোনি অমসুং কে জি ৩৬কীদা বাল্লি গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

নুপামচাগী ফ্রি ষ্টাইল রেষ্টলিংগী কিলোগ্রাম ৪৮গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী অকাসনা জপানগী রেষ্টলর দাইকি ওগাৱাবু য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৮-৩দা থোইদুনা গোল্ড মেদল ফংখি। গ্রেকো-রোমানগী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর অনকিত গুলিয়ানা কিলোগ্রাম ৬৮গী কাংলুপ্তা কজাকস্তানগী রেষ্টলর কোরগানোবপু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংখি। কিলোগ্রাম ৭৫দনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রেষ্টলর চিরাগ ধালিয়ানা গোল্ড ফংখি। লোয়ননা কিলোগ্রাম ৬২ অমসুং ৮৫গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী গ্রেকো-রোমানগী রেষ্ট অনী সুমিত অমসুং অর্সদিপ সিংহ সিলভর মেদল অমমম ফংখি।

এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবা নুপাগী ফ্রি ষ্টাইল রেষ্টলর ইন্দিয়াগী উদিত কুমার কিলোগ্রাম ৫৭তা সিলভর ফংদুনা মহাক্না কেদেদ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা ফংখিবা ব্রোঞ্জতগী ফগৎপা ঙমখি।

# সিঙ্গাপোর য়ুথ বেদমিন্টন ইন্টর্নেসনল সেরিজদা ইন্দিয়ানা টাইটল ৪ ফংখ্রে

সিঙ্গাপোর সিটি, নবেম্বর ২৪(এজেন্সী): বেদমিন্টন এসোসিএসন কনফিদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা সিঙ্গাপোর বেদমিন্টন ফেদরেসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১৮দগী হৌরকখিবা সিঙ্গাপোর য়ুথ ইন্টর্নেসনল বেদমিন্টন সেরিজ ২০১৯দা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা টাইটল ৪ লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি লোইশিনখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচশিংদা নুপীমচাগী চহী ১৩ মখাগী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী নাবিয়া কান্দেরিনা ইন্দোনেসিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৪ শুবা সিদেদ নিসা এলিফেনিয়াবু ২১-৮, ২১-১৩দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

কাংলুপ অসিগী নুপীগী দবলসতা কান্দেরিনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় স্রিয়ান্সি ভালিসেটিগী পেয়র ওইদুনা ফাইনেলদা থাইলেন্দগী সুকিতা সুৱাচাই অমদি নরাদা উদোর্নপিমবু ২১-১৮, ১৭-২১, ২১-১৬দা থোইরগা মকোক ওইখি।

কাংলুপ অসিমক্তদা নুপাগী দবলসকী ওইনা ইন্দিয়াগী প্রনোব রাম নগলিঙ্গনা সাই প্রসাদ তিগালাগা পেয়র ওইদুনা ফাইনেলদা চাইনিজ টাইপৈগী পেয়র চৌ য়ু সিয়াং অমদি ফান ৱান চুনবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১১, ২১-১৬দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

নুপামচাগী চহী ১৩ মখাগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী অন্স নেগি ইন্দোনেসিয়াগী দেনিস অজারাগী মখুৎতা ২১-৫, ১৪-২১, ১৩-২১দা মায়থীদুনা রন্নর্সঅপ তাখি।

চহী ১৫ মখাগী নুপাগী দবসলতা ইন্দিয়াগী পেয়র লোকেস রেদি কালাগোটলা অমসুং অনকিত মোন্দোলনা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা জোনাথন ফারেল গোসল অমসুং এদ্রিয়ান প্রটামাবু ২৫-২৩, ৪-২১, ২১-১৮দা থোইদুনা কাংলুপ অদুগী মকোক ওইবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই, সিঙ্গাপোর য়ুথ মেদমিন্টন ইন্টর্নেসনল সেরিজ অসিদা নুপাগী চহী ১৯ মখাগী সিঙ্গলসতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় মণিপুর মচা মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাং সেমি ফাইনেলদা মায়থীহৌবনি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা মৈরাবা লুৱাংবু মায়থীবা পীরম্বা চাইনিজ টাইপৈগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ শান্নরোয় লিয়াও ঝু ফুনা অতোপ্পা চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয় হুৱাং য়ু কাইবু ১৯-২১, ২১-১৮, ২২-২০দা থোইরগা কাংলুপ অদুগী মকোক ওইবা ঙমখি।

চহী ১৯ মখাগী নুপী মচাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা রসিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ১ সিদেদ অনাষ্টেসিয়া সাপোভালোভানা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুন্মু লৈবাক সিঙ্গাপোরগী ইন্সিরাখানবু ২১-১৫, ২১-১৮দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

# ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা নুমিদাংদা শান্নখিবা টেষ্ট মেচতা বংলাদেশপু ইন্দিয়ানা ইনিংস অমগা রন ৪৬তা থোইদুনা সেরিজ লৌখ্রে




কোলকত্তা, নবেম্বর ২৪(এজেন্সী): কোলকত্তাদা লৈবা ইনেদ গার্দেন ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২২দগী হৌদুনা ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা নুমিদাংগী মতমদা পিঙ্ক বোল শীজিন্নদুনা টেষ্ট ক্রিকেট মেচতা য়ুমলোন্নবা লৈবাক বংলাদেশপু ইন্দিয়ানা ইনিংস অমগা রন ৪৬তা থোইদুনা টেষ্ট মেচ অনীগী সেরিজ অদু মেচ ২-০দা থোইরগা লৌখ্রে।

ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা নুমিদাংগী মতমদা টেষ্ট ক্রিকেট মেচ শান্নবা হৌবা অদু থা অসিগী ২২দা কোলকত্তাদা লৈবা ইদেন গার্দেন্স ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ওইখি। মেচ অদুগী টোস বংলাদেশনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা মখোয়গী অহানবা ইনিংস অদু শুপ্পগী ওভর ৩০গা বোল ৩ শান্নবদা বেটচমেন ১০মক আউট ওইরগা রন ১০৬খক লৌখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পিঙ্ক বোল মেচতা ইসান্ট শর্ম্মানা বংলাদেশকী ৱিকেট ৫ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা ইন্দিয়ানা অহানবা ইনিংস শান্নরকপদা কেপ্টেন ভিরাট কোলিগী য়াম্না ফজবা রন ১৩৬, চেতেশ্বর পুজারাগী রন ৫৫ অমসুং অজিনক্যা রহানেগী রন ৫১না মপুং ওইরগা অহানবা ইনিংস অদুদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ৩৮৭ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা টেষ্ট মেচ অদুদা মখোয়গী অহানবা ইনিংস লোইশিল্লকপদা রন ৩৪৭ লৌখিবা অদুনা বংলাদেশনা হান্না লৌরম্বা মখোয়গী অহানবা ইনিংসকী রন ১০৬ অদুদগী রন ২৪১ হেন্দুনা ইনিংস অদু দিক্লেয়ার তৌখিবনি।

বংলাদেশকী মায়কৈদগী বোলর অল অমিন হোসেন অমসুং ইবাদত হোসেননা ৱিকেট ৩/৩ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বোলর ওইখি। বংলাদেশনা ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইনিংসা লৌরমখিবা রন ৩৪৭ অদুনা মরম ওইরগা টিম অদুনা শোথখিবা রন ২৪১ অদুগী মখা তানা অনীশুবা ইনিংস শান্নরকপদা ইসান্ট শর্ম্মানা অমুক্কা ৱিকেট ৪ লৌদুনা অমদি উমেস যাদবনা ৱিকেট ৫ লৌখিবদগী ইনিংস অদু রন ১৯৫দা লোইশিন্দুনা মেচ অদু বংলাদেশ ইনিংস অমগা রন ৪৬তা মায়থীখি।

ইন্দিয়ানা মরমদমদা শান্নবা টেষ্ট সেরি ১২ থংনা থংননা মায় পাকপগী অনৌবা রেকোর্দসু থমখি।

# নুপাগীদা জপানগী কান্তা সুনেয়ামা অমসুং নুপীগীদা সাউথ কোরিয়াগী আন সি য়ংনা সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রে

2019 GWANGJU KOREA MASTERS






গ্বাংজু, নবেম্বর ২৪(এজেন্সী): থা অসিগী ১৯দগী হৌরকখিবা কোরিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী নুপাগী সিঙ্গলস্তা জপানগী কান্তা সুনেয়ামা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস্তা সাউথ কোরিয়াগী আন সি য়ংনা মখোয় মখোয়গী লম্বা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেচতা জপানগী কান্তা সুনেয়ামানা চাইনাগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় লিন দানগা অকনবা লম্বা থেংনখি। অহানবা গেম অদু খুদুম চনবা ঙম্নদনা লাকখিদুনা পোইন্ট ২২-২২ ফাওবা লৈনখি। অদুবু জপানগী কান্তানা থংবা পোইন্ট ২ ফংদুনা গেম অদু ২৪-২২দা থোইরগা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা গেমদা চাইনাগী শান্নরোয় লিন দানগী মশান্না অদুগী হিরম খুদিংমক জপানগী কান্তা সুনেয়ামানা খুদুমচ নবা ঙমদুনা পোইন্ট ২১-১২দা থোইরগা নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।


নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল অদু সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় অনী লম্বা তৌনখি। পনবা য়াবদি, শান্নরোয় অনীনা মখোয় মখোয়গী সেমিফাইনেলদা জপানগী শান্নরোয়শিং মায়থীবা পীখি। টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ১ সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবী জপানগী অকানে য়ামাগুচিবু আন সি য়ংনা ২১-১৬, ২১-১৬দা থোইরমখি। অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদনা জপানগী সিনা কৱাকামিবু সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুননা ২১-১২, ২১-১০দা থোইদুনা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা আন সি য়ংনা ২১-১৩, ২১-১৭দা থোইরগা টাইটল লৌখি।

নুপাগী দবলসতা চাইনিজ টাইপৈগী লি য়াং অমসুং ৱাং চি লিনবু থোইরগা মলেসিয়াগী গো ভি সেম অমদি টান ৱি কিয়োংনা টাইটল ফংখি।

নুপীগী দবলসতা জপানগী পেয়র অনী লম্বা তৌনবদা নামি মাটসুয়ামা অমদি সিহারু সিদানা চেম্পিয়ন ওইখি। অদুগা মিক্স দবলসতা হোংকোংগী টাং চুন মান অমদি জি য়িং স্বেটনা মকোক ওইখি।

# ইন্দিয়াগী শান্নরোয় লক্ষ্য সেননা স্কোটিস ওপন ২০১৯ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রে

BADMINTON SCOTLAND




গ্লাসগো, নবেম্বর ২৪(এজেন্সী): স্কোটলেন্দগী কোনুং গ্লাসগোদা ঙরাংদগী শান্নবা হৌখিবা স্কোটিস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় লক্ষ্য সেননা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা ব্রাজিলগী শান্নরোয় য়োগর কোলহোবু থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা স্কোটিস ওপন ২০১৯গী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেন অমসুং ব্রাজিলগী য়োগর কোলহোনা পুং ১ রোম চঙনবা অকনবা লম্বা থেংনখি।

অহানবা সেট অদু ব্রাজিলগী শান্নরোয় অদুনা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেনবু য়াম্না ৱানা ২১-১৮দা থোইরগা গেম অমা মাংজিল থাখি। অনীশুবা গেমদনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় লক্ষ্য সেননা তাঙ্কক কয়াদা হেনখিবদগী ব্রাজিলগী শান্নরোয় কোলহোবু অহানবা গেমগী স্কোরগা চপ মান্ননা ২১-১৮দা থোইদুনা অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম শান্নখি।

টুর্নামেন্ট অদুগী টাইটল মেচ ওইবনা দিসাইদিং গেম অদুদা অহানবা গেম অনীগী মশান্না অদুদগী হেন্না ফজনা লম্বা তৌনরকখি। পোইন্ট ১৭-১৭ ফাওবা মান্নরম্লবা মতুং ১৯-১৯ ফাওবা অমুক মান্নরকখি। অদুবু জুনিয়র থাক্তগী সিনিয়রদা শান্নরকপা চহী ফাদ্রিবা লক্ষ্য সেননা থংনবা পোইন্ট অনী লৌদুনা ২১-১৯দা থোইরগা টুর্নামেন্ট অদুগী নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

# নদালগী ফজবা মশান্ননা গ্রেট বৃটেনবু থোইদুনা স্পেন দেবিস কপ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা কানাদাগা থেংনরগনি

DAVIS CUP



মাদ্রিদ, নবেম্বর ২৪(এজেন্সী): স্পেনগী মাদ্রিদ সিটিদা থা অসিগী ১৮-দগী হৌখিবা দেবিস কপ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেমিফাইনেলদা মমিং লৈরবা শান্নরোয় রাফেল নদালনা ফজনা শান্নখিবা মরম্না মহাক্কী লৈবাক স্পেনগী ফাইনেল য়ৌহন্দুনা কানাদাগা লম্বা তৌনরগনি।

স্পেনগী সিটি মাদ্রিদতা লৈবা মানোলো সন্তানা ষ্টেদিয়মদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেমিফাইনেল মেচতা স্পেন অমসুং গ্রেট বৃটেন লম্বা তৌনখি। মদুগী অহানবা সিঙ্গলস মেচতা গ্রেট বৃটেনগী কাইলস এদমুন্দনা স্পেনগী ফেলিসিয়ানো লোপেজপু থোইখি। অনীশুবা সিঙ্গলস মেচতা রাফেল নদালনা গ্রেট বৃটেনগী দান ইভান্সবু য়াম্না হেনবা মওংদা সেট ২-০দা থোইদুনা দবলসগী মেচ অদুদসু রাফেল নদালনা মহাক্কী টিমমেট ফেলিসিয়ানো লোপেজগা পেয়র ওইদুনা বৃটেনগী মুরে অমদি স্কুপস্কিবু মায়থীবা পীরগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমিফাইনেল মেচতা কানাদা অমসুং রসিয়া লম্বা তৌনখিবা অহানবা সিঙ্গল মেচ অদু রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেবনা কানাদাগী পোস্পিসিলবু থোইদুনা মাংজিল থাখ্রবা মতুং অনীশুবা সিঙ্গলসতা কানাদাগী দেনিস সাপোভালোপনা রসিয়াগী কারেন খচানোবপু থোইদুনা দিসাইদিং ওইরিবা দবলসকী মেচতা কানাদাগী পেয়র সাপোভালোপ অমসুং পোস্পিসিল মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌখি।